FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.232726
US Dollar	74.548311
British Pound	98.311662
Australian Dollar	54.200124
Chinese Yuan Renminbi	11.287597
Japanese Yen	0.712224
Malaysian Ringgit	18.083010
Singapore Dollar	55.293052
South Korean Won	0.067290
Saudi Arabian Riyal	19.879550
Thai Baht	2.470532
Myanmar Kyat	0.05754
Bangladesh Taka	0.87863

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	50956.00
Mumbai	–	Rs	50841.00
Delhi	–	Rs	50733.00
Kolkata	–	Rs	51069.00

কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অদিগী অহল ওইরবশিংনা মতৌ করম্না চেকশিন্না লৈগনি হায়বগী মতাংদা অহলশিংগা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং খুনৌ ময়াই লৈকায় পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিস ককচিংগী দি এস দল্লিয়ু ও, এ কামেশ্বর অমদি ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৯গী কাউন্সীল্লর কে ঐচ রাধামনি লৈমগা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অদুদা অখঙ-অহৈ কয়ানা অহলশিংনা কোভিদ-১৯দগী চেকশিন্না লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা অহলশিংদা ৱাখল তাহনখি। থৌরম অদুদা অহল ওইরবা নুপা-নুপী মীওই ২০০ রোম্না শরুক য়াখি।

ৱেটিং সেদ শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক পোইরৌখোংজিন নিঙোম্বম লৈকায়দা নৌনা শাবা ৱেটিং সেদ অমা হান্না মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরম্লবা হৌজিক্লা চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর ওইরিবা টি ঐচ শ্যামকুমারনা হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

সাউথ পোইরৌখোংজিন ৱেলফেয়র ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাইটিং সেদ শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা হান্নগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা অথোইবা মীথুং, লৈকায় অদুগী অহল ওইরবা নোংথোম্বম নবদিপনা থৌরম মপু অমদি লিটুল মাষ্টর ইংলিস হায়র সেকেন্দরি স্কুল শামুরৌগী ফাউন্দর এম থোইবা, তুলিহল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি খালিক অমসুং অংথা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান থিয়াম মনিহলনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী শাবা ৱাইটিং সেদ অদু মীয়ামদা শীন্নরদুনা লৈকায় অদোমগী মীয়াম্না ইশা-ইশাগীনি খন্না শীজিন্নবা সী এমগী এদভাইজরসু ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা আপিল তৌখি অমদি নিংঙোল ওইবীশিংদা নিংঙোল চাক্কৌবগী পাউজেল পীরদুনা ঐখোয় পুন্না চেকশিন্না লৈদুনা কোরোনা ভাইরসতগী ঙাকথোকমিন্নসি। লৈঙাক্লা পীবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : শুমাং লীলা অমসুং মণিপুরী ফিল্মগী অইবা অমদি ফিল্ম প্রদ্যুসর দিনেস তোংব্রমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা শ্যাম সঙ্গীত কলা মন্দির, খা থিনুঙ্গৈ, থাঙ্গা কেন্দ্র, মোইরাং খুনৌগী মেম্বরশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেন্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিখ্রে হায়না শ্যাম সঙ্গীত কলা মন্দিরগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

মফম অনীদা শকখঙদবশিংনা...

লামায় ১গী মখা... মীওইশিংনা পুলিসতা পাউ পীরবা মতুংদা ইরিলবুং পুলিস, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি যোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা লুচিংবা মণিপুর পুলিসকী বোম এক্সপার্ট কাঙবুনা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৌথোকখ্রে।

অমরোমদা, ঙসি অয়ূক পুং ৭ রোম তাবদা লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তাওথোং অফৈবদা লৈবা হিন্দুস্থান কন্সত্রক্সন কম্পনি প্রাইভেট লিমিটেদকী গেট ময়াদা শকখঙদবা মীওই খরনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থমজিল্লম্বদগী খুদক্তা লমশাং পুলিস ষ্টেসন্দা পাউ পীরবা মতুংদা পুলিসকী বোম এক্সপার্ট কাঙবুনা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৌথোকখ্রে। বোম অদু কনানা করিগীদমক থম্লম্বনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু পুলিসনদি থৌদোক অদুগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবগী থবক কন্না চথুরি হায়রি।

লূপ কয়ানা নিংঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদমসিগী নিংঙোল ওইবী খূদিংমক্তা চহীসিগী নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা অমুকোগী মায়কৈদগী লমদমসিগী নিংঙোল ওইবী খূদিংমক্তা অমদি লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা খূদিংমক্তা ঈং-তপ্পা পুন্সি নুংশাংবা অমদি নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমা ওইবীয়ু হায়না য়াইফ পাউজেল পীজরি। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা অমদি অতে মরম কয়ানা হিয়াঙ্গেগী নীনি পানবা নুমীৎতা নিংঙোল চাক্কৌরোইদবা ইমুং কয়া য়াওরবসু মহৌশা লাইরেন্বীগী খোঙচৎতি কায়বা য়াদবনিনা মণিপুরগী মৈতৈ ফুরুপকী ইমুং কয়ানা নুমীৎ অসিদা অদুম্মক নিংঙোল চাক্কৌবা পাঙথোক্ল গদবনা নিংঙোল চাক্কৌবগী অশেংবা মশক মচু থোক্লা পাঙথোকপীননবা মীয়ামদা পাউজেল পীজরি। অঙনবা মতমগী মালেমগী লৈবাক কয়াগী পুৱারীদা নুপীগী ফীভম, থাক অসি পূক্লিং নুংশিনিংঙাই ওইবা মওংদা লৈরম্লবসু মৈতৈ ফুরুপকী ওইনদি নুপী ওইবীশিংবু ফীভম খরদা ঈকায় খুম্নবগী ফীদা অমা পীরম্মী হায়বসি নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসিনা লেঙদ্রবা খুদম চাংদম ওইরি। চহী খূদিংগী হিয়াঙ্গেগী নীনি পানবা খূদিংগী পাঙথোকপা হরাও কুম্মৈ অমা ওইরবসু লাইনিং-লাইশোল, ইরাৎ থৌনি অমগা লোয়ননা পাঙথোকপা কুম্মৈ অমদি নত্তে। মসিদি মবুং-মৌপ্পা, মচে-মচল অনীগী নুংশিনবগী লীপুন অদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা শাগৎপা নাৎকী নীংথিরবা মচল অমনি।

নিংঙোল চাক্কৌবা অসি ইথক ইরাংদা য়ুম্ফম ওইবা কুম্মৈ অমা নত্তে। মসিদি অতে কুম্মৈ কয়াদগী খরা তোপ তোপ্পা নিংঙোল-পিবাগী মরক্তা অচেৎপা লীপুন অমা পুল্লিবা লমদমসিগী খ্বাইদগী চীংলেম্না ফজবা মখলগী নাৎকী কুম্মৈনি। নিংঙোল চাক্কৌবা অসি মৈতৈশিংগী খ্বাইদগী চাউবা নাৎকী কুম্মৈ অমা ওইবদা নত্তনা কুম্মৈ অসিগী নুংগী ফজরবা ৱাখল্লোন অসিনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমকপু কোনশিল্লক্লিবনি। অদুঙৈ পোইরৈতোন অমদি লাইস্নাগী মবুং-মচল ওইবগী নুংশি লীপুনদা য়ুম্ফম ওইদুনা শাগৎলকখিবা নাৎকী কুম্মৈ অসি হোংলক্লিবা মতমগী য়াওল অসিদা অদুঙৈগী লীক্লম খোঙ্গুল অদু কাউথোক্লরকপগুম কুম্মৈ অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক্কী ৱাংমদা অরং অরাক্কী চৎনবী অমদা লুপশিল্লক্লি। নিংঙোল চাক্কৌবদা ময়ুম পানখ্রবী নিংঙোল ওইবীশিংনা মপামদা লৈহৌরিবা মপা, মবুং-মৌপ্পাশিংগী পুরক্লিবা পোৎলমশিং অমদি মবুং-মৌপ্পাশিংনা মচল-মচেশিংদা তন্লিবা খুদোলপোৎশিং অদু অয়াম্বা ইরমদম মণিপুরগী পোত্থোক ওইরক্তবা হায়বদি মপানগী পোত্থোক্লা অয়াম্বা ওইখ্রে। মসি খঙনা খঙনা লমদমসিগী মৈতৈ ফুরুপকী মীয়াম্না অদুম মখা চথদুনা লৈরবদি নিংঙোল চাক্কৌবগী ফজরবা ৱাখল্লোন নোংমদি মমি শান্লক্কনি। নিংঙোল চাক্কৌবদা হিদান্নবগী মওং অমদা অসুম অসুম লাক্লিবা অসিনা লায়রবা নিংঙোল অমদি পিবা কয়াদি নিংঙোল চাক্কৌবা লাক্কনি খনবদা ৱাখল লাংতক্লবা পোক্লরক্লবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)কী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু সেকেন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু নিংঙোল চাক্কৌবগী নুমীৎনা লাকপদা মণিপুরগী নিংঙোলশিংদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ু পি এফ মণিপুরনা চহী খূদিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মণিপুরগী নিংঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরম 'চীং-তম নিংঙোল চাক্কৌবা' হায়না মিংথোন্দুনা মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী নিংঙোলশিংগা পুন্না পাঙথোকমিন্নদুনা লাক্লি। অদুবু কুমশি চহীগী ওইনদি অকিবা ফংলবা লাইচৎ কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা পাঙথোকপা ঙমজরোইদৌরি। মতম অমদা লৈরম্বা নিংঙোল চাক্কৌবগী ফজবা মশক অদু হৌখিবা চহী ১০/২০গী মতম অসিদা অঙকপা ফংনা অহোংবা লাক্লিবসি মফম মতম চানা খন্ন-নৈনদুনা চুমথোক্লবা খোঙথাংশিং লৌখৎহৌবা চুমগনি। চাক্কৌবদা মবুং-মৌপ্পা, ইমুং-মনুং পুনমিন্নবগী অমদি অৱা-নুংঙাইৱারী শানবগী চামিন্নবগী ফজরবা মশক অদু হিদান্নবা ওইনা ওন্থোরক্তুনা মরিং মরাংবা ওইনা উহল্লি। মবুং-মৌপ্পাশিংনা মচে-মচলশিংদা ঙমজবা খুদোল তম্বগী চৎনবী অদুগী ওন্ন-তৈনবদা মমল য়াম্লবা অরং অরাক্কী পোৎলমশিং খুদোল তম্বগী চৎনরোলনা লায়রজবা মীওই কয়া অমদি চাক্কৌবা ঙমজদবগী ফীভম অমা ওইহল্লে। মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি লাইথোক্লা লৈবা য়াবা মতম হায়বদু ওইদ্রি। নোংমা কাংদনা মীওই ২০০গী মথক্তা নারিবনি। মরম অসিনা মবুং-মৌপ্পাশিংনা নিংঙোলশিংবু চাক্কৌবীরবসু লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দল্লিয়ু ও) ৱিমেন্স ৱিংগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর পুখ্রিময়ুম হজিরানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯না খম থেংনা অৱা-চৈথেং নংলবা মতম অসিদা য়াম্না তাঙনা চহী অমগী মনুংদা লাকপা মবুং-মৌপ্পা, মচে-মচল কয়া হরাও মীনোক্কা লোয়ননা উনজদুনা য়াইফ মঙ্গল পীনবা নুমীৎ নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মণিপুরী মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন ৱিমেন্স ৱিংগী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। নুংঙাই য়াইফবা, ঈং-তপ্পা খুন্নাই অমা নিংঙোল চাক্কৌবনা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি সুন্দর খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হিয়াঙ্গেগী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা এম এস এফকী মায়কৈদগী মবুং-মৌপ্পা, মচে-মচল ওইবশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। মতমগী অওনবা অমদি অহোংবা কয়া লাকপনা মালেমগী তমথিরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মীওইবা খুন্নাইবু অৱাবা কয়া মায়োক্লহনবা অমদি খম থেংনা ৱানবা মতম ওইবনা চহী অসিগীদি লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা পাঙথোকপীয়ু। মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনসু মচে-মচল ওইবীশিংগী খুদোলপোৎ পীবদা মমল অতাঙবা পোৎচৈশিং পীদুনা খুদোলপোৎ পীবদা হিদান্নবগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা মবুং-মৌপ্পা, মচে-মচলশিংগী মফমদা নুংশি-চান্নবা অমদি অচেৎপা মরী লৈনবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ং ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন (ৱাই ভি ও) ৱাংখৈগী প্রসিদেন্ট য়ুম্লেম্বম হেমন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হিয়াঙ্গেগী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা কংলৈ ফুরুপকী মশাইকোলদা লৈরিবা কংলৈচাশিংবু ৱাই ভি ওগী মায়কৈদগী নিংঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। কংলৈ নিংঙোলশিংদা শৈথাজবা চহী খূদিংগী লেপ্পুনা পাঙথোকচরকপা নিংঙোল নাচোম কুমশি চহীগী ওইনদি কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোকচররোই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নীংশিংবা থোক্লবা মতমদগী হৌনা চহী খূদিংগী ওইনা হিয়াঙ্গেগী নীনি পানবা নুমীৎতা পাঙথোক্তুনা লাকপা লমদম অসিগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী নিংঙোল ওইবীশিংগী মফমদা কাদানা য়াইফ পাউজেল পীজরি। নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মচিল-মৌপ্পা অনীগী মরক্তা লৈনরিবা শেংলবা নুংশিবগী লীপুন হেনগৎহন্দুনা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তসু হেন্না নুংশিনবা পুরক্তুনা ঈং-তপ্পা, চাউখৎপা, নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইবগা লোয়ননা ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নদুনা নিংঙোল ওইবীশিংদা চথবা মীওৎ-মীনৈ লৈতবা, মশা-মউ ফবা, তীঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা নবেম্বর ২৬কী জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎপীয়ু : কনফিদরেসন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা নবেম্বর ২৬কী জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎপীয়ু হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ কনফিদরেসন মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা আপিল তৌরক্লি।

ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ কনফিদরেসন মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী সেক্রেটরি ডা. ঈ গিরানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা নবেম্বর ১৩দা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ কনফিদরেসনগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মীফম্না লাক্লিবা নবেম্বর ২৬তা চথগদৌরিবা ওল ইন্দিয়া জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি মপুং ফানা শৌগৎপা হায়না অকনবা ৱারেপ লৌখ্রে। ষ্ট্রাইক অসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা ট্রেদ য়ুনিয়ন অমদি সর্ভিসেস সেক্টোরেল ইমপ্লোয়ী খূদিংমক্লা শীন্দুনা চথরকপনি।

নরেন্দ্র মোদিগী দিক্টেটোরিএল ওইবা লৈঙাক অসিনা শিন্মী অমদি ইমপ্লোয়ী খূদিংমক্কী রাইট মৎতুনা পাক-শন্না থবক লৌথোরকপা, নোংমদা পুং ৮ থবক শুবগী চৎনলোন অসিবু থুগায়দুনা পুংশিং খক্তনা থবক শুহল্লকপগী মায়োক্তা থেংনদবা য়ারক্ত্রে। নৌনা রেগ্যুলর ওইবা থবক হাপ্পগী মহুৎতা কন্ট্রেক্ট অমদি ঙাইহাক্কীদমক থবক হাপ্পগী চৎনবী হৌদোরকপা কয়া অসিগী মায়োক্তা থেংনদবা য়ারক্ত্রে। মরম অদুনা ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ কনফিদরেসনগী ষ্টেট য়ুনিটনা অথুবদা খন্নরবা তুংদা মণিপুরদা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবা অসিদা মপুং ফানা শৌগৎপগা হায়না য়ানবগী মতুংইন্না মণিপুরগী ইমপ্লোয়ী খূদিংমক্লসু শৌগৎপীননবা আপিল তৌজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ৱাঙ্গৌই দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : ৱাঙ্গৌই দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হান্নগী সেক্রেটরি ওইরম্বা এস ঐচ রাশিনা লৈখিদবদা ৱাঙ্গৌই দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ৱাঙ্গৌই দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি থৌদাম সনাতোম্বনা থাদোরকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমনা হায়, ৱাঙ্গৌই দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্টনা চ্যের লৌদুনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা য়ুনিয়ন অসিগী ভেটরান এক্টর অমা ওইরম্বদা নত্তনা য়ুনিয়ন অসিগী ফাউন্দর মেম্বর অমসুং মতম শাংনা সেক্রেটরিগী থৌ পুবীরম্বা এস ঐচ রাশিনা লৈখিদবদা য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেন্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু ৱাঙ্গৌই দ্রামাটিক য়ুনিয়ননা শরুক য়াজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী চিলদ্রেন হোমশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা পাঙথোকখিবা অঙাংগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুড়াচান্দপুরনা ঙরাং সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসরগা খূৎশম্নদুনা চিলদ্রেন হোমশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট, জেনেল এদ্যুকেসন ওফিস, চুড়াচান্দপুর পুলিস অমদি চাইল্ড লাইন চুড়াচান্দপুরগা খূৎশম্নদুনা তোঙান তোঙানবা চিলদ্রেন হোমশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম অমদি শান্ন-খোৎনবগী মচাক মথুমশিং য়েন্থোকখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতেং লৌরগা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসরগী মীৎয়েং খাদা তোরবুং বংলাগী ওপন সেলটর ফোর বোইজ, মোলনোম রামথর রোদকী ওবজর্ভেসন হোম (বোইজ), এস এ রোদকী দেষ্টিট্যুট চিলদ্রেন হোম (গর্লস), থিঙ্কনফাইগী দেষ্টিট্যুট চিলদ্রেন হোম (বোইজ) অমদি মাটা ভিলেজদা লৈবা চাচা নেহরু বাল ভবন (গর্লস) দা চান-থক্লবা পোৎলম অমসুং শান্ন-খোৎনবগী মচাক-মথুমশিং য়েন্থোকখি। তোঙান তোঙানবা চিলদ্রেন হোমশিংদা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবগী থৌরম অদুদা এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ঐচ হাওকিপ, এ সী টু দি সী খাইখোপাও ঙাইতে, চুড়াচান্দপুরগী এস দি পি ও গিনমুৱান ঙাইতে অমসুং জেদ ঈ ও চুড়াচান্দপুর এন চিঙ্খেসু শরুক য়াখি।

নিংঙোল চাক্কৌবগী মাঙওইননা ওল্ড এজ পেন্সন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী মাঙওইননা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা পীবা ওল্ড এজ পেন্সন ফংদ্রিবা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী অহলশিংদা ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকপা হৌখ্রবা মতুং মখা চথরকপা ওইনা ঙরাং পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ২৩/২৭তগী ২৩/৪১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অহল ৩০০ হেনবদা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা মহাক্কী তোলোপতগী ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখ্রে।

ওল্ড এজ পেন্সন য়েন্থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা হায়খি, ময়াং ইম্ফালগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ২৩/১দগী ২৩/১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অহলশিংদা অহানবা তাঙ্ককী ওইনা ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখ্রবা মতুংদা ৱাৎহৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা লৈরিবা অহলশিংদসু পেন্সনগী শেনফম অসি নিংঙোল চাক্কৌবা নংনবা য়েন্থোকপনি। মখা তানসু ৱাৎহৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখিগনি।

ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুংদা লৈরিবা মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা অহল কয়া সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা পীবা ওল্ড এজ পেন্সন ফংদবা কয়া য়াওরি। অসিগুম্লবা অহলশিং অসিদা ঐহাক্কী থাগী তোলোপতগী অঙম্বা শেনফম খরা ওল্ড এজ পেন্সন ওইনা পীবনি। অহলশিং অসিনা লৈঙাক্লা পীবা ওল্ড এজ পেন্সন ফংদ্রিবা ফাওবদি তোলোপকী শেনফম অসিনা পেন্সন পীজখিগনি। ময়াং ইম্ফাল এ সীবু হীরম খূদিংদা চাউখৎপা পুরক্লবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলগী প্রসিদেন্ট ইরোম রবি, লফুপাৎ তেরা কোম্লাখোং জি পিগী প্রধান এন বসন্তসু শরুক য়াখি।

অঙাংশিং নাদবগী মরম খঙলে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৫ (এজেন্সী) : কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা চহী য়াম্লবা অহলশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবা তারবসু ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা শোকহন্দবগী মতাংদা সাইন্টিষ্টশিংনা চপ চাবা মরম খঙবা ঙম্লে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা বেন্দরবিল্ট য়ুনিভর্সিটি মেদিকেল সেন্টর (ভি য়ু এম সী) গী রিসার্ছরশিং য়াওনা থিজিনখিবদা অঙাংশিংদা রিসেপ্টর প্রোটিন মখল অমগী চাং নেম্না য়াওই হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি।

লঙসকী ইপিথেলিএল সেলদা কোরোনাভাইরসনা রিসেপ্টর প্রোটিন অসিগী খূথাংদা ইনফেক্ট তৌবনি। ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদদি রিসেপ্টর প্রোটিন অসিগী চাং নেম্না য়াওবা মরম্না লৌনগনবা লায়না লাইচৎ অসি পাক হেক চঙবা ঙমদবনি হায়না ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা জেনিফর সেকরনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

জন অন্দোলন কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা মোরেগী ঐচ মুলনোম খুঙ্গংদা লৈবা অদুলাম দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে।

মালেমগী মফম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎখিবনি। মোরেদা হন্দক মরক কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা হেন্না ৱাংখৎলকপা মরম্না খুঞ্জাশিংবু ফেস মাস্ক উপ্পুনা খূৎ-শা তোয়না হাম্বগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্লবা ৱাফম ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

লুরবা তানফম অসিদা অসাম রাইফলসনা লৌরক্লিবা থৌদাং অসিবু অদুলম দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টরগী দিরেক্টর অমদি ভিলেজ চীফনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

খুঞ্জাশিংদা ত্রেক্টর খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচএনএস) : তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী সাইবোল অমদি সারোন খুঙ্গংদা ঙসি অসাম রাইফলসনা খুঞ্জাশিংদা হেন্দ ওপরেটেদ ত্রেক্টর অনী খূৎশিন্নখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ) না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ত্রেক্টর অনী খূৎশিন্নখিবগী থৌওং অদুনা মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি।

লৌমীশিংনা মায়োক্লরিবা অৱাবা পূম্নমক কোকহন্নবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি। থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি খুঞ্জাশিংদা ত্রেক্টর অনী খূৎশিন্নখিবগী থৌওং অদুবু খুঙ্গং অনীমক্কী খুঞ্জাশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লে হায়নসু আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

হায়কোর্টনা এম এল এ মেঘচন্দ্রগী...

লামায় ১গী মখা... সিনিয়র কাউন্সেলনা এম এল এগী ক্রিমিনেল পিটিসন নম্বর- ৩৬ ওফ ২০১৯গীদমক 'ইন্টরিম ষ্টে' তৌবীনবা কোর্টতা প্রেয়র তৌখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা ফাইল তৌরক্লিবা ক্রিমিনেল পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা ইন্টরিম ষ্টেদি পীররোই। অদুবু এম এল এনা স্পেসল কোর্ট (এম পি/এম এল এ), মণিপুরদা এপিয়র তৌগদবা অদুদি থা অসিগী ২৪ ফাওবগী ওইনা দিস্পেন্স তৌরে হায়খি।

অদুম ওইনমক কেস অসি হায়রিবা নুমীৎ অসিদা বেঞ্চ অসিদা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখিবগা লোয়ননা কোর্ট অসিনা এম এল এদা এন্টিসিপেটরি বেল নম্বর- ৯ ওফ ২০১৯গী মতুংইন্না পীখিবা ইন্টরিম ওর্দর অদুসু থা অসিগী ২৪ ফাওবা চৎনখিগনি হায়রি।

দিৱালি নুমীৎ : চহী ৫গী মনুংদা...

লামায় ১গী মখা... অমসুং নিত্যাইপাৎ চুথেক্তনি। নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা নুমীদাংদা পুং ৬ তগী ৭ ফাওবদা নিল খোংবগী চাং দেসিবেল ৭০.১, পুং ৭তগী ৮ ফাওবনা দেসিবেল ৭০.৫ অমসুং নুমীদাং পুং ৮ দগী ৯ ফাওবনা দেসিবেল ৭০দা লৈখি। এম জি এভেন্যুদনা নুমীদাং পুং ৬ তগী ৭ ফাওবদা দেসিবেল ৬৯.৭, পুং ৭তগী ৮ ফাওবনা দেসিবেল ৬৯.৫ অমসুং নুমীদাং পুং ৮ দগী ৯ ফাওবনা দেসিবেল ৬৪ দা লৈখি।

মীওইবনা নাকোংনা তাবদা নিল খোংবগী চাং অসি দেসিবেল ৭৫ ফাওবদি কা হেন্না হকচাং শোকই হায়না লৌনদে। অদুবু হায়রিবা চাং অসিদগী হেল্লবদি হকচাং শোকহনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। দিৱালি নুমীৎকী ওইনা হৌখিবা চহী ৪ রোম অসি নিল খোংবগী চাং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌখিবনি। অদুবু হন্দক চহীগী দিৱালি নুমীৎ অসিদদি নিল খোংবগী চাং অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌদ্রে লৌবা য়াই হায়না ওফিসল অমনসু পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন কোভিদ...

লামায় ১গী মখা... ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২০ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৮৩, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৭৩, থৌবালদগী ১৭, বিষ্ণুপুরদগী ১৪, ককচিংদগী ২, উখ্রুলদগী ৩, তমেংলোংদগী ৮, চুড়াচান্দপুরদগী ২, কাংপোকপীদগী ১, তেংনৌপলদগী ৫, চান্দেলদগী ১, জিরিবামদগী ১ অমসুং সেনাপতিদগী ৩নি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২১,৮৭১ য়ৌরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৮,৯৬৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৯০৮ নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ১৮,৫৯৩ নি। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৫,৯৪১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৬৫২ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৫.০১ নি। অদুগা কেস ৩০৫৭ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৮০৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৫২ নি। লোয়ননা মীওই ২৫৯সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

সুপ্রীম কোর্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না...

লামায় ১গী মখা... থবক্তা ওন্থোক্লদুনা কোর্টনা লোকল কম্মিস্নার ওইনা খনখিবা সী ঐচ মোমোন (কাউন্সেল)না প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর-১ অমসুং ২গী ইভিদেন্সশিং অমসুং মখোয় অনীগী দিপোজিসনশিংগী রেকোর্দ তৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১গী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল এন জোটেন্দ্রোনা রেস্পোন্দেন্ট অসিগী মহুৎ শীন্দুনা মহাক্লা এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌখিবনি অদুবু এপ্লিকেসন অদু কোর্টকী রেকোর্দতা লৈরমদ্রে হায়বা ৱাফম সবমিট তৌরকখি। পিটিসনরগী মহুৎ শীন্দুনা লেপখিবা কাউন্সেল এ মোহেন্দ্রোগী মায়কৈদগীনা কেস অসিগা মরী লৈননা ৱিটনেস অনী সম্মোন তৌবীনবা এপ্লিকেসন অমসু মহাক্কী মায়কৈদগী ফাইল তৌখি। ৱিটনেসশিং অদুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই)গী ওফিসর অমা অমসুং মীখল পাঙথোকখিবা মতমদুদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর (দি এল ও) ওইখিবা মীওই অদুনি। অদুবু মহাক্কী এপ্লিকেসন অসিসু কোর্টকী রেকোর্দতা লৈরমদ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১গী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল এন জোটেন্দ্রোনা কোর্ট অসিনা জন্যুৱারী ৬, ২০২০দা পীখিবা ওর্দর অমনা দিস্পোজ তৌখ্রবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর-১২ ওফ ২০১৯গী মায়োক্তা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসল লিভ পিটিসন অমা আপিল তৌরদুনা ফাইল তৌবা লৈরে। মসিগী নোটিশসু ইস্যু তৌখ্রে হায়খি।

দিফেন্স কাউন্সেলগী ৱাফমসিদা পিটিসনরগী কাউন্সেল এ মোহেন্দ্রোনা হৌখিবা জুলাই ১৫, ২০১৯দা সুপ্রীম কোর্টনা ওর্দর অমা পীদুনা হায়কোর্টনা কেস অসিগী ৱায়েলদি মখা তানা চথরগা মসিগী ফাইনেল ওর্দরদি পীদনবা দিরেক্সন পীখিবা লৈখি হায়নসু কোর্টতা সবমিসন তৌখি। মসিগী পাউখুমদা সিনিয়র কাউন্সেল এন জোটেন্দ্রোনা এস এল পি অদুদি সুপ্রীম কোর্টনা দিস্পোজ তৌখ্রবা থা অসিগী ২৩দা খন্নবগীদমক ফিক্স তৌরিবা এস এল পি অসিগীদি নোটিশ ইস্যু তৌখ্রবনি হায়রি।

মরম অসিনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা ফ্রেম তৌরবা ইস্যুশিংদা অহেনবা ইস্যু খরগা হাপচিনবদা অয়াবা পীবীয়ু হায়দুনা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎলিবা ৱাফম অসি থা অিসগী ২৩দা খন্নরগদবনা মসিগী ৱায়েল ঙাইবা ওইবা এল ইবোমচানা এক্স-মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক কেস অসি থা অসিগী ২৫দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, এক্স-মিনিষ্টরনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা পন্দুনা লৈরিবা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈননা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা স্পেসল লিভ পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ১৩৮৬৪ ওফ ২০১৯ দি এপেক্স কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা জজ অহুমগী কোরমনা মমাঙ থাগী ৬তা দিসমিস তৌখ্রবনি।

জর্নেল সিংহনা প্রোফেসর পান্দেদগী হেন্না এম য়ুদা...

লামায় ১গী মখা... ফোঙদোরকপা থেংনরে।

হায়কোর্টনা মীওই অসিবু এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা থৌ পুহল্লকখিবা তারবসু পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্টকী মায়োক্তা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবগী অয়াবা পীখিবা লৈতে। এদমিনিষ্ট্রেটরনা এক্ট অসিগী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকপা মরমনা য়ুনিভর্সিটিগী থবক থৌরমদা চাউনা অশোয়বা লৈহল্লে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা কা হেন্না অমাঙ-অতা থোরক্তনবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট ২০০৫ মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোকপা তঙাইফদে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পুৱারীদা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল থিংজিন্দুনা খ্বাইদগী...

লামায় ১গী মখা... কানখিদবনা খ্বাইদগী শাংবা মতম ওইরে। হৌজিক-হৌজিক লায়চৎ অসিনা মরম ওইদুনা মখা তানা কয়াম কুইনা ইমা কৈথেল অহুম অসি থিংজিনখিগনি হায়বসু তম্বা ঙমদ্রি।

মণিপুরগী পুৱারীদা থোকখিবা থৌদোক কয়ানা মরম ওইদুনা ইমা কৈথেলশিং কানখিদবা অমদি থিংজিনখিবদা মতম অদুগী মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। ঙসিগী মীয়ামসু অচৌবা চৈথেং ফংলি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিদা ইমা কৈথেল অহুম অমদি টেম্পররি মার্কেট অসি চাওরাক্লা থা নিপাললোম থিংজিন্দুনা লাক্লি। লৈঙাক্কী থৌওং অসিদা নুমীৎ খরনিগী মমাংদদি লায়চৎ অসিগী ওইরক্লিবা ফীভম য়েংলগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎচৈ য়োনবি ইমা-ইবেলশিংনা থোইনা ৱারৌনরমদে। অদুবু য়াম্না মরুওইরিবা কৈথেলশিং অসি মী য়াম্না তিনবা মরম্না লায়চৎ অসি পাকশন্না শন্দোরক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরকপা য়াই হায়বদগী থিংজিন্দুনা লৈখ্রবসু অতোপ্পা ইম্ফাল ময়োলগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দুকান কয়া হাংহনবা অমদি শোপ্পিং মোল কয়া হাংবা য়াহন্দুনা পোৎচৈ য়োন্নরিবা অসিদদি কদাই ফাওবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোন মপুং ফানা চৎনরিবগে? মীয়াম তীনবা য়াদে হায়রগা মীওই চা কয়া তীনখিবা মরক্কী মীখলনা করিগী পাঙথোকহনখিবনো হায়বগী পেন্দবা ৱাকৎ কয়া কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি। লৈবাক অসিগী ইমুং কয়াগী পুকচাক থাক্লিবা অমদি ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা মতেং ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল থা ৮ হেন্না হাংহন্দবা হায়বসিনা লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবা হায়বদু থোক্লে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা শোপ্পিং মোলশিং হাংহনবগুম্না অখন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎতুনা চৎন-কাংলোন ঙাকহন্দুনা অমুক্তা মীওই খরদমক চঙহন্দুনা পোৎচৈ লৈনবগী খুদোংচাবা পীহন্নিংই হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ইরমদমদা পুথোকপা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনগদবনি হায়রবসু কৈথেলশিং অসি হাংহন্দবা মরম্না লমদম অসিগী পোৎথোকশিং য়োনফম লৈত্রে। শোপ্পিং মোলশিংদা য়োল্লিবা পোৎলম অয়াম্বদি মপান্দগী পুশিল্লক্লগা য়োনবনা অয়াম্বনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা কৈথেল ফম্লিবা ইমা-ইবেলশিংগী ইমুং-মনুংনা থেংনরিবা অৱাবশিং কোক্লবা অমদি লমদম অসিগী পোৎথোকশিং মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবগীদমক অখন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎপীদুনা পোৎচৈ য়োনবা য়াহন্নবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোক্লরক্লি। নুমীৎ খরনিগী মমাংদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎচৈ য়োনবা নুপীশিংদা লুপা লিশিং ১০/১০ লোন ওইনা পীখিবগী থৌওং অদুসু অপেনবা ওইদে। ইমা কৈথেলদা পোৎচৈ য়োল্লিবা নুপী খুদিংমক্তা হায়রিবা লোনগী শেনফম অদু ফংহনবা ঙমখিদে। লোন লৌনবগী ফোর্ম ওনলাইন্দা দাউনলোদ তৌগদবনি। কৈথেল ফম্লিবা নুপী অয়াম্বনা মতৌ করম্না কদাইদগী দাউনলোদ তৌগদবনো খঙদবা মরম্না খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লখি। মীওই খরনা অদুগুম্বা খুদোংচাদবশিং অদুগী কান্নবা লৌদুনা লুপা লিশিং ১০গী লোন লৌনবগী ফোর্ম লুপা ২০০/২০০দা য়োনখি। লৈঙাক্লা কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিংদা মতেং পাংলিবনি হায়দুনা লোন ওইনা পীবা হায়বসি পোৎ য়োনবা য়াদ্রবা মতম অসিদা লোন অদু লৌরগা কদাইদা পোৎচৈ য়োল্লগা শিংগদৌরিবনো হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা লোন ওইনা পীবগী মহুৎতা কৈথেল ফম্বি ইমা-ইবেলশিংগী মতেং ওইনবা শেনফম খরদং ওইরবসু পীবিরবদি লৈত-লায়রবদা মতেং ওইনগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।